# বন্দ ব্লোকেদ তৌবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা খোঙথাং লৌখৎনবা থবক পায়খৎলগনিঃ সিএম

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৮ ঃ লমদম অসিদা বন্দ ব্লোকেদ তৌরিবশিংগী মথক্তা কোর্টকী মতেং লৌরগা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা হোৎনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টার্টঅপ কনক্লেভ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তনা হায়, বন্দ ব্লোকেদ তৌরিবশিং অসিনা লমদম অসিগী নোংমগী শুরগা চারিবা মীওই কয়াদা অচৌবা শাফু পিরিবনি হায়বসি বন্দ ব্লোকেদ তৌরিবশিংনা খঙফম থোকই।

ইশাগী দিমান্দ ফংনবা হোৎনবদা খোঙজং চঙশিনবা কায়দে, অদুবু মদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা পীগদবা থবক্তি তৌরোইদবনি। মণিপুর অসি বন্দ ব্লোকেদ লৈতবা মতমদা কন্দায় ফাওবা খুমাঙ চউশিন্না চঙশিনবা ঙম্লগে হায়বদু য়েংসি। বন্দ ব্লোকেদ তৌবশিং অসি আইননসু য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়রকপসু লৈখ্রে। মরম অসিনা হায় কোর্টকী মতেং লৌরগা বন্দ ব্লোকেদ তৌরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখত্লুনা মখোয়গী তুংগী লম্বীদা অমসুং পুলিস ভেরিফিকেসননচিংবদা শোকহনগদবা মওংদা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা তৌরগনি হায়খি।

হিরম অসিগী মরি লৈনবা থবককশিং হায় কোর্টতা পুখৎলগনি। লমদম অসিদা লায়রবা মীওই কয়া লৈরি, লোয়ননা মপান্দা থবক তৌবা লমদম অসিগীদমক খঙ্গবা অমসুং লমদম অসিদা লাক্লগা থবক তৌনিংবা কয়া লৈরিবনি। অদুবু অসিগুম্বা বন্দ ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরগা মখোয় হনখিনবা মরম ওইহনবদি চুম্লোই হায়খি।

হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থোক্লিবা ৱাথোক অসি অচুম্বা মায়ওন অমদা চঙশিনলক্লি। য়ুনিভর্সিটি অসি সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইবনা ষ্টেটনা হেক্তা খূৎ থিংজিনবা ঙমদবা লৈ। অদুম ওইনমক মুসু, মুটা অমসুং মুসা অমসুং মীয়ামগী মতেংদগী ঙসিদি ইরাং অসি অনৌবা মায়ওন অমদা লাক্লে।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা নোর্মেলসি হঞ্জিনবা হৌরক্লে। ভি সি ইন চার্জ ফম পায়বা হৌখ্রে। খোঙজং চংশিল্লবসু মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙহন্দনবা হোৎনসি হায়না আপীল তৌখি।

মহাক্লা হায়, গভর্ণমেন্টকী থবক অসিখক্তনা নত্তনা তৌবা য়াবা থবক কয়ামরুম লৈরি। মদুগীদমক গভর্ণমেন্টনা ষ্টার্টঅপ পোলিসিগী মখাদা লুপা ক্রোর ১৫০ চহি ৫গী খাক্তুনা থম্লে। ইং ২০১৭–১৮গী ওইনা লুপা ক্রোর ৩০ অসিগী মতুংদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইং ২০১৮–১৯গী ওইনা লুপা ক্রোর ৩০ খাক্তুনা থম্লগনি। লাক্লিবা ওক্টোবর থাদগী হৌদুনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ইন্টরর্ভিয়ু পীগনি।

গভর্ণমেন্টনা চাদা ৩০ গ্রান্ট ওইনা পীরিবা অসি মপুং ওইনা শেল পুথোকপা ঙমজদবা এন্টরপ্রেন্যুরশিংবু শেলগী মতেং পাঙদুনা মখোয়গী থবক অদু মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক্তনি হায়খি। ঙসি পুন্না ষ্টার্ট অপকী তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মখাদা এন্টরপ্রেন্যুর ৩৩৪ দা ঙসি শেনফমশিং খূৎশিন্নবনি হায়খি।

শাংলবা মতম অসি মণিপুরগী লৈজরিবা তেলেন্ট কয়া অসি নমশিন্দুনা থম্লগা মীওই খরনা হুমদুনা পুনবা হোৎনরম্বনি। মপান লমদগী মীওই কয়া লমদম অসিদা লাক্তুনা ইনভেষ্ট তৌনিংবা কয়া লৈরি। মখোয় লমদম অসিদা লাক্লিংবা ফাওরম্লবদি অদুবু অমুক নাউরি কাপ্পা, তয়ার মৈ থাবা উবদা লাক্লিংদবা ফাওনরে। মসিগুম্বা ফিভম অসি হোংদোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অসিদা খুদোংচাবা অমখক পীবিয়ু লমদম অসিদা লৈরিবা অয়েৎ অপন কয়া অসি নমখায়রগা লমদম অসিগী মীয়াম অসি ইংনা থম্নবা হোৎনগনি। মরম চাবা থবক্তা গভর্ণমেন্টনা হন্দুনা চেনগদবা লৈতে হায়খি।

দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়, মণিপুর অসি হান্নদগী প্রাইমারি অমসুং তর্চরি সেক্টর অসি চউখত্নুনা লাক্লি। লোয়ননা সেকেন্দরি সেক্টর অসিসু তপ্না তপ্না খোঙথাং অমদা হোংদোরক্লি।

অদুবু লমদম অসিদা লৈরিবা প্রাইমারি সেক্টরদা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি সেকেন্দরি সেক্টরদা ভেল্যু এদিসন তৌদ্রবদি চউখৎহনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা এন্টরপ্রেন্যুরশিংদা লোনগী শেনফমশিং খূৎশিন্নখি।

# জিতেশ্বর অমদি সতিসকী অশিবা হকচাং ফংহল্লু, মীওই ৫ হাৎপদা চেন্নবশিং দন্দি পিয়ু হায়দুনা ব্রাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৮ঃ

গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকী অশিবা হকচাং শিন্নগদবনি, মখোয় অনী য়াওনা মীওই ৫ লোন্না হাৎখিবদা চেন্নবশিং দন্দি পিয়ু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা মীয়াম্না ব্রাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ব্রাকৎ মীফম অদু ইন্দিয়ান আর্মিগী থ্রি কোর্পস ইন্টিলিজেন্স এন্দ সর্ভিলেন্স য়ুনিট(সিআইএসয়ু)না গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমসুং থাংজম সতিসপু ফারবা মতুংদা হাৎলগা ফুমজিনখি অমদি থৌনাওজম প্রেম, আকে রোনেল এলাইজ রোসন অমসুং ফিজম নাওবীবুনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা অমদা হাৎখি হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা জেএসসিনা শিল্লগা মোইরাং লৈরক, থাংজম লৈরক অমদি ইঙুদম লৈরককী নুপীশিংনা শরুক য়ারগা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন লাই খল্লাংবা কম্যুনিটি হোলদা চত্থখি।

ব্রাকৎ মীফমদুদা শরুক য়াখিবী লাইশ্রম ওংবী চিত্রানা হায়, চহি কয়াগী মমাঙদগী লমদমসিগী নহা কয়াবু সেকুরিটি ফোর্সনা য়ুমদগী ফারগা মাংহনখি অমদি য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙখিদবা কয়া লৈখ্রে। মসিগী মনুংদা পিঐচ নাওবী, আরকে রনেল অমদি টিঐচ প্রেম হায়রিবা মীওই অহুম অসি লাইরিক তম্বা চৎখিবনি। মখোয় অহুমগী মীহাৎকী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপিনবা অমসুং জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি সতিসকী লংলা–লংজিল পুথোকপিনবা সরকারদা হায়জদুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদনা লৈরি হায়খি।

হৌজিক মখোয় ৫গী মীহাৎকা মরী লৈনবা ব্রাফম কয়া পাউ চেশিংদা ফোঙনরকখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকী অসিবা হকচাং জেএসিদা খূৎশিন্নবগা লোয়ননা মখোয় মঙাবু তমথিনা হাৎপদা চেন্নবা আর্মি পার্সোনেলশিং আইনগী ওইবা চৈরাক পিগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জেএসসিগী দিমান্দ ওইনা ব্রাকৎ মীফম অদুদা শিজিন্নখিবা ফেষ্টুনদা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকী অসিবা হকচাং শিন্নগদবনি, জি জিপসি, টিঐচ সতিস, টিঐচ প্রেম, আরকে রনেল অমদি পিঐচ নাওবীগী অরোনবা মীহাৎ গর্ভর্নমেন্টনা সিবিআই নৎত্রগা এসআইটি শেমদুনা থিগৎহনগদবনি, মীহাৎশিং অসিদা চেন্নরিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী থ্রি কোর্পস ইন্টিলিজেন্স সর্ভিলেন্স য়ুনিট(সিআইএসয়ু)শিং অথুবা মতমদা আইনগী ওইবা চৈরাক পিগদবনি, অফস্পা অমদি অমুবা আইনশিং মুথৎকন্দবনি অমদি ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা সেন্ত্রেল গর্ভর্নমেন্টদা অরোনবা মীহাৎ অসিগী ৱায়েল পুথোক্লুবা হায়গদবনি হায়বা ৱাফমশিং ইখি।

লমায় ১ গী মখা

# ষ্টেট ফোর্সনা কা হেনবা শাজৎ চৎলে ঃ য়ুসি

নুমিৎ অসি মক্তদা য়ুনিভর্সিটিগী সাউর্থন গেট অসি কনা অমত্তনা হাংদোকপা য়ারোই হায়না কিহনবগা লোয়ননা পুলিস কম্মান্দোশিংনা থিংজিনখি।

মথং আগষ্ট ৭তসু মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পস কোইশিন্দুনা থমখি। অদুগা ঙসি আগষ্ট ৮দনা পুলিস পার্সোনেলশিংনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী থোরকপা মীওই পূম্নমক চেক তৌখি।

মণিপুর পুলিসনা চত্থরক্লিবা থবক অসিনা বিজেপিগী এমপি অমনা পার্লিয়ামেন্টতা য়ুনিভর্সিটি অসি লালহৌবগী মফম ওইরে হায়খিবদু চুমহন্নবা হোৎনরিব্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লে হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি লেপক্কদৌবনি হায়না মুসু অমদি মুটাগী প্রসিদেন্টশিংনা সহি তৌদুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নাকল অমরোমদা ঙসি ফমখিবা মুসু, মুটা অমদি মুসাগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিংনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা কমিসন ওফ ইনক্কারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা হায় পৱার কমিতি নৎত্রগা কমিসন আগষ্ট ১৪ ফাওবগী মনুংদা শেমগদবনি হায়না অমুক হন্না ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

# বিজেপিনা লুচিংবা সরকারনা মণিপুর কনবা ঙমগনি...

বি জে পিগী সাসন অসি মরৈ অনী লোংনা ৱা ঙাঙলি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা কংগ্রেস পার্টিনা সাসন পায়রিঙৈদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি অহানবা তৌবা মতমদা মদুদা করি য়াওরিবগে হায়বসি মীয়াম খঙহল্লু হায়দুনা কংগ্রেসনা তকশিন্দুনা লাকপা ফিরেপ ঙসিসু হোংদ্রি। কংগ্রেসনা ফুরুপ অমগী শান্তি পুরক্লবা হোৎনবদা অয়েৎপা পীবা নত্তে।

কংগ্রেস পার্টিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরদা করিসু অকায়বা পীরোই হায়না মখৌ পোঙনা বি জে পিনা লাওখিবনি। মখোয়দি মদুদা করি য়াওরিবগে হায়বা খঙলমগনি খনখিবনি। চীফ মিনিষ্টর, বি জে পিগী লুচিংবশিং অমসুং মরী লৈনবা ওঠৌরিতিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়দোকপীয়ু হায়না কংগ্রেসনা তকশিনখিবনি। মতম অদুদনা করিসু তৌরোই হায়রগা হৌজিক্লা করিগী কিরকপগুম তৌরিবনো হংখি।

চিনগা খূৎকা মান্নদবা থবক্লা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবা অদুগা চীন্দনা মণিপুরগীদমক শিবিগে হায়না লাওবা অসি লাইবক থিবনি। ঙমখৈ অমসুং মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবগী মতাংদা কংগ্রেসগী ফিরেপ ঙসিসু হোংদনা লৈরি। মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা অমসুং গভর্ণমেন্ট তান্নদনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়বসিদা কংগ্রেসনা চেৎনা লেপ্পি।

ৱাথোক অসিদা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা পোলিটিকেল পার্টিশিং কৌরগা খন্ননিংদবা করিগীনো, কংগ্রেস সাসন মতমদদি পোলিটিকেল পার্টিশিং কৌরগা ফিরেপ লৌমিন্নখিবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকপা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম অদুদা লমদম অসিগী ইশুশিং খন্ননবা সেসন মতম খরা শাংদোকসি হায়বদা ইশু লৈতে হায়না শাংদোকসি য়াখিদ্রগা হৌজিক্লা করিগী অখন্নবা মীফম কৌনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরিবনো হংখি।

ওপোজিসন্না হায়জবা তাখিদ্রগা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরগা অখন্নবা মীফম কৌখৎলক্লিবা অসি মনুংদা করিগুম্বা খরা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওহল্লে হায়না গাইখাঙম্না হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা এম য়ুগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা গাইখাঙম্না হায়, ৱাথোক অসি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরকখিবনি। মতম ঙল্লিঙৈদা ফজনা তাইশিনবা য়ারম্বা অদু সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা করিগী তাইশিন্নবা হোৎনখিদবনো। ইশু অসি মখা চত্থহন্দুনা হৌজিক ফাওবা লমদম অসি লাংহনলিবা অসি মনুংদা করি অরোনবা এজেন্দা লৈবজাৎনো হংখি।

হৌজিকসু ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়াম খোইশাওনবা য়াবা থৌওংশিং চত্থবা অসি লাইবক থিবনি। কংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈগী ৱাথোক অসি অথুবা লোইশিনবা য়ানবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি ফাওবা শেমদুনা হোৎনখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিং উন্নদুনা মপুং ফাবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ঙকচাও থেক্লবা ভি সিনা উন্ননবা মতম পীরকখিদবনি।

অদুবু কম্মিতিগী রিপোর্ট অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভিজিটর ওইরিবা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া, প্রাইম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, ষ্টেটগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পীখিবনি। প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া ফাওবা উন্নদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা খন্নখিবনি।

ৱাথোক অসি থা অনী হেন্না চত্থরক্লবসু হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো হংনিঙাই ওই। এম য়ুগী মতাংদা বি জে পিনা কংগ্রেসবু পোলিটিকেলাইজ তৌই হায়না মরাল শিরি অদুবু কংগ্রেসনা পোলিটিকেলাইজ তৌরম্লবদি ৱাথোক অসিদা তোংলগা ইং ২০১৯গী পার্লিয়ামেন্ট মীখল ফাওবা চৎলম্বা য়াই। অদুবু লমদম অসিগী ইচা ইনাওশিংগী খল্লগা ৱাথোক লোইশিল্লু হায়রিবা অসিনা ইশু অসিদা পোলিটিকেলাইজ তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়বদু ময়েক শেঙলবনি হায়খি।

মহাক্কী মথক্তা শিরকপা মরাল থিজিন্নবা ছুটি পীখ্রবা ভি সি অমনা নাগালেন্দদা য়ু জি সিগী টিমগী চেয়ারপার্সন ওইনা ইন্সপেক্সন চৎলম্বা অসি করম্না তৌরিবনো।

মসিদি মণিপুরগী প্রজা লাক্ষ ২৯ লোম অসি সেন্টরগী গভর্ণমেন্ট অমসুং ভি সি অসিনা অপঙবা শিবনি, মণিপুর প্রজাশিংবু উশিৎ থৌওইদবনি হায়খি। মসিনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা হেন্না চাউথোকহন্নবা থৌশিল চত্থবনি হায়না গাইখাঙমনা মখা তাখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তরু তনান্না থম্বদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ুঃ চিত্রা

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৮ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসি তরু তানানবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরে অসি হান্না তরু তনান্না থম্বা দরকার ওই। মরম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা চঙশিনলক্লিবা খোঙথাং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না দিপ্যুটি কম্মিস্নার ইম্ফাল ইষ্ট টি ঐচ চিত্রা দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিং অসি তরু তনান্না থম্নবা মীয়াম পুন্না ৱাশক লৌমিন্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চত্থখিবা সিগ্নেচর কেম্পেইন হৌদোক্লুদুনা চিত্রানা পাউমীশিংদা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসি তরু তানানবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ইং ২০১৭কী আগষ্ট থাদগী স্বছতা হি পকৱারাগী মখাদা লম তু শেংবগী দ্রাইভ অসি চত্থদুনা লাক্লি।

খোঙজং অসিগী মখা তাবদসু দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিং পুল্লগা অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা লুবা নাননবগী খোঙজং অসি চঙশিন্দুনা লাক্লি। মখা তানসু দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তাবা লম্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈন্দগী লুনা নান্না থম্নবা হোৎনরবসু লম্বী অসিগী নাক য়েত্তা তারিবা মীওইশিংদা ৱাখল তাবা ৱাৎপগীরা নৎত্রগা চঙশিনলিবা খোঙজং অসিদা লুম্না লৌদবগীরা চঙশিল্লিবা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদবগী ফিভম অমা উবা ফংই।

হৌখিবা চহিগী ওক্টোবর ২দা জাতিগী লু হেনবগী নুমিৎ তগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসশিং অসি মরিশুবা থাংজ খুদিংগী স্বাছতা সেটরদে হায়দুনা ওফিস শেঙদোকপা অমসুং লুনা নান্না থম্নবগী খোঙজং অমগী মখাদা চঙশিন্দুনা লাক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদক্বাটর অমসুং মসিগী অকোয়বা অসি হান্না লুন্না নান্না থম্লবা মতুংদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিং অসিসু লুন্না নান্না থম্নবগী খোঙজং অসি পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীওইশিংগা খূৎশম্নরগা চত্থনবা থবক চঙশিনগনি।

হৌখিবা আগষ্ট ৪ দগী হৌদুনা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসশিং, মীয়াম তিনবা কৈথেল, লাইশঙনচিংবশিংদা লম তু শেংদোকপগী থৌরাংশিং চত্থদুনা লাক্লি।

ঙসিগী থৌরম অসিনা মপুং ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর অসি লুনা নান্না থমসি হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা প্রজাশিং অসিনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবা সিগ্নেচর কেম্পেইন অসি চত্থবনি। মীয়ামগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসি তরু তনানবা অমসুং পুমশংবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবা পান্দম অমগা লোয়ননা ঙসিগী কেম্পেইন অসি চত্থবনি হায়খি।

কেম্পেইন অসি তোঙান তোঙানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদা চত্থবনি। মসিদা মীয়ামনা শৌগৎপীদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসি লুবা নানবগী শক্তম অমা উবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঙসিগী ৱাখল্লোন অসি ইশাগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খন্না চৎপীদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী পান্দম অসি ফংহনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

লমায় ১ গী মখা

# চীং লমগী বন্দ মরক্তা ইন্টর্নেসনেল...

টমু পুলিস ওফিসার মিষ্টর য়েন ঐটৱি, ম্যান্মার ইন্দিয়া বোর্দর ট্রেদ চেম্বর ওফ কম্মরস টমুগী চেয়ারমেন কলেৱা মিষ্টর ঐলানা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কন্সল্ট জেনরেল ওফ ইন্দিয়া নন্দন সিংহ, এক্ট ইষ্ট পোলিসি কম্মিটি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কনভেনর আরকে শিবচন্দ্র, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী সুহেল অখটারর, ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলগী ব্রিগেদিয়র এএস চৌহান, স্পিসিয়েল সেক্রেটরী হোম কেঐচ রঘুমনি, দিসি তেংনৌপল এ তোম্বীকান্তা অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এসপি ডা. এস ইবোমচাগা লোয়ননা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

# কুকিগী বন্দনা মোরে খুন্তাক লানশিখ্রে

লোয়ননা বন্দ মনুংদা থোং হাংই হায়দুনা মোরে ট্রেদ সেন্টর অমদি হোটেল ইলোরাগী মেন গেট অনীমক ছো লোনশিনখি। লোয়ননা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল, পুলিস অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়া ছো লোনশিনবনা মরম ওইরগা থোক্লকপা য়াদনা লৈখ্রে হায়রি।

বন্দ মনুংদা প্রেস মেদিয়া অমদি সিক্যুরিটিগারী ফাওবা চৎহনখিদে অমদি ফার্মসি, স্কুল, সরকারগী ওফিস, বেঙ্ক অমদি হোটেলনচিংবা থোঙ হাংনখিদে হায়রি।

# লুপা লাক্ষ ৩৪ রোমগী হিরোইন ফারে

কোন্নবা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি ময়াংইম্ফাল ইরোংচেশাবদগী এমদি ইস্লাওদ্দিন(২৬) অপোকপা এমদি সিরাজ অহ্মদনি। মঙোনদগী ফারবা হিরোইন পাউদর অদু ইন্টর্নেস্নেল মার্কেটতা লুপা ৪.৪৪০০০ রোমগী ওইগনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক শেলগী টিম অমনা মীওই অমা লুপা ৩০,০০০০রোমগী ওইগদবা হিরোইন পাউদর গ্রাম ২৫০গা কোন্নবা য়াইহিরপোক থম্বালনু কৈথেল মনাক্তগী ফারে। ফারবা মীওই অদুদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক সেকমাই পিএসকী মনুং চনবা এস ইলিফাই ভিল্লেজদগী কামচা ভাইফে(৪৫) অপোকপা জামনৈপাউ কৌই। ফারবা হিরোইন পাউদরগা কোন্নবা মীওই অনীমক মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# ‘এপি পান্দেগী মতাংদা য়ুজিসিনা...

থাসিগী ৫দা কম্মিসনসিগী টিম অমগী চেয়ারপার্সন ওইনা লাকখি হায়বগী মতাংদা ঙসি পাউচে অসিনা য়ুজিসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং কন্টেক্ট তৌদুনা ৱারী শান্নবা হোৎনখি।

অহানবদা ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা য়ুজিসিগী সেক্রেটরীগা ৱারী শান্নবা টেলিফোনদা কন্টেক্ট তৌখি অদুবু ফোন পায়রক্তবদগী ৱারী শান্নবা ফঙখিদে।

মথংদা কম্মিসনসিগী এদিস্নেল সেক্রেটরী ডা রেনু বত্রাগা ৱারী শান্নখি। মসিদা পাউচে অসিনা ছুটিদা লৈরিবা এময়ুগী ভিসিবু কম্মিসন অসিগী অতৈ থবকশিংদা ওফিসিয়েল ওইনা এনগেজ তৌবা লৈব্রা লৈরগনা য়ুজিসিগী করম্বা প্রোভিজনশিংগী মখাদনো হংখি।

অদুবু এদিস্নেল সেক্রেটরী অসিনা পাউখুম অমত্তা পীয়ু য়াদবগা লোয়ননা মসিগী ৱাহংশিংসি কম্মিসনগী জোইন্ট সেক্রেটরী জেকে ত্রিপাঠিদা ওইনা হংঙু হায়রকখি।

পনবা য়াবদি জোইন্ট সেক্রেটরী জেকে ত্রিপাঠি অসি এময়ুগী ৱাথোসিগা মরী লৈননা শেমখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কমিতিগী মেম্বরসু ওইরিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্তি পাউচেসিনা কন্টেক্ট তৌবদা ফংবা ঙমখিদে।

# ইশুশিং লোয়শিন্দ্রবদি প্রি–মর্জর...

লৈরিবা ৱাথোকশিং অসি মণিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি।

মহাক্না হায়, বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) কিরন রিজিজুনা রাজ্যা সভাদা থমখিবা ৱাফম অদু এমপিপিনা য়াবা ঙম্লোই। মদু য়ুম্ফম য়াওদবা অমদি দায়ত্যা লৈতবা মীনা ঙাংগদবা ৱাফমনি।

মরমদি হন্দক্তঃ লাকখিবা সেন্তরগী সর্ভে টিমনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং রি–সর্ভে তৌনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টদা থা অমগী মনুং খঙহল্লকে হায়রম্বা লৈখ্রবনি। অথুবা মতমদা রি–সর্ভে তৌনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হোৎনগদবনি হায়খি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী মতাংদা পল্লদুনা, কাংলুপ অমগী হরাওহন্নবা হোৎনবদা লৈমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপ–কাংলুপশিংগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা ভিসি অসি অথুবা মতমদা লৌথোক্তুনা ছাত্রশিংগী পুন্সি কনগদবনি হায়বা ৱাফম জুগিন্দ্রোনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

# কেজি ৩ লুম্বা বোম লৈরম্লে

বোম অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা থেংনরকপদগী শগোলমাঙ পিএসতা পিরক্লবা মতুং মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কৌরগা অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা বোম লৈরম্লিবা মফমদুমক্তা অশোই অঙাম য়াওদনা পোখায় হনখ্রে। বোম প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা অদুগা মরী লৈননা শগোলমাঙ পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# সঙাইগী ২শুবা লৈফম শেমগৎপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ুঃ শ্যামকুমার

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৮ ঃ কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্কতা হৌজিক লৈরিবা সঙাই অমসুং খরসাগী লৈফম অসি চিনশিল্লকপা অসি য়েংলগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সঙাইশিংগী অনীশুবা লৈফম অমা শেমগৎনবা থৌরাং পায়খৎপা হৌরে। মসিদা মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পাঙবীদুনা মালেমগী অতাংবা শা মখল অসি হেন্না মশীং হেনগৎন্দুনা মুৎখিবদগী কন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্যামকুমারনা হায়, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চহি খুদিংগী ওইনা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্কতা লৈরিবা সঙাই অমসুং অতৈ লমলক্কী শাশিং অসিগী মশীং থিবগী থবক চত্থবগুম হন্দকসু সঙাইগী মশীং থিবগী থবক চত্থখ্রে।

ইং ২০১৬তা চত্থখিবা সঙাই মশীং থিবদা পুন্না মশীং ২৬০ লৈখিবা অদু হন্দক থিবদা রেকোর্দতা ২৬৩ রোমতমক লৈরমখি। মসি খরমখৈ হেনগৎলম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অদুবু শা মখল অসি অতৈ শাশিংদগী খেন্নবা লমচৎ লৈবনা মদু থোরক্তবা য়াই হায়না লৌই।

শা মশীং য়াম্বনা মরম ওইরগা হৌজিক লৈরিবা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ককী শরুক অসি হেন্না চাওথোকহন্দুনা সঙাইশিংগী অতোপ্পা লৈফম অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লাক্লে। মদুদা মীৎয়েং থম্লগা গভর্ণমেন্টনা সঙাইগী অতোপ্পা লৈফম অমা শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে। মসিগী লম লৌরকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু। সঙাইগী লৈফম শেমগৎলে হায়দুনা মীয়ামগী থবক থৌরমদা অপনবা পীদনবা হোৎনগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্কতা হৌজিক খরসা মশীং অসি হান্ন ২২৭ ওইরম্বদগী হৌজিক ২৮৮ দা হেনগৎলে হায়খি।

অমরোমদা পাৎ অসিদা লমগী উচেক তাবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরক্লে। মসিগী মপুং ওইবা মরম অসি লোক্তাক পাৎতা বেট্রির শিজিন্নদুনা নুমিদাংদা ঙাফাবা অমসুং নপ্পবা মচাকশিং শিজিন্নদুনা লমদগী পাইরকপা উচেক কয়াবু ফাবগী চৎনবী লৈবা অসিননি। মসিদা নত্তনা লোক্তাক পাৎতা উচেকশিংগী মচিঞ্জাক ৱাৎলকপা অসিদগী উচেক মশীং হন্থরকপগী মরম ওইহল্লি।

মসিনা মরম ওইরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থিনুঙ্গৈদা বার্দ সেঙ্কচুরি অমা শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে। মসি প্রজাশিংগীসু অপাম্বনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লোক্তাক পাৎতা এল ই দি লেম্প শিজিন্নদুনা ঙাফাবগী থবক অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থিংদুনা লাকপনি। অদুবু মসি মপুং ফানা থিংবগী থবক চত্থবা ঙমদনা লৈরি। মসি প্রজাশিংনা ৱাখল তাবা দরকার লৈ হায়খি।

কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্কতা হি তোংদুনা সঙাই য়েংবগী খুদোংচাবা লমকোয়বশিংদা পীনবা থৌরাং লৈব্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মদু তৌবদা সঙাইদা করি অকায়বা লৈগদগে হায়বদু এক্সপার্টশিংগী মত লৌরবা মতুংদা মদুগী থৌরাং অদু পায়খৎনবা য়েংশিনগে হায়খি।

# মীয়ামগী মায়োক্তা অরোনবা পাম্বৈ কয়া চত্থরক্লি...

ঙরাংগী মখা...

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ফেক ইনকাউন্টরগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফোর্সতা চেন্নবগী থৌদোক হেক লাকপদা থিদোক্তুনা চৈরাক পীবগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী লান্মীনা অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিদা চেন্নদে হায়দুনা থৈদোক্তুনা থম্নবা হোৎনবা অমসুং থৈদোক্তুনা থম্বা ঙমদ্রগনা কম্মিসন অমা শেমদুনা থিগৎহল্লগা অশি–অনা নংলিবা মীওই অদুগী ইমুং অদুদা লূপা লাক্ষ ৫–১০ পীদুনা মীগী পুন্সিবু শেলগা মন্তিক্লবা হায়বসি মখোয়গী তৌফদ্রবা মথৌনি হায়রি।

মণিপুরদা আইওএফনা ফাখ্রগা মশা মাংহনখিবগী ৱাথোক ময়াম অমা লৈখ্রে। ৱাথোকশিং অসিদা ঙসি ফাওবা আইওএফ চেন্নদে হায়না চেল্লি। অদুবু মণিপুরগী লৈঙাক অসিনা আইওএফকী লানবন ওইনা শীজিন্নরম্বা তোম্বীস্না হায় স্কুল কেম্পসতা কৈথেল শানবগীদমক লৈবাক তৌথোকপগী কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ২৬তা মীওইবগী কোক্কী তুম্বা নিপাল য়াওনা শৱ্দ পোল্লাংশিংগী অরেমখাকশিং ফংখিবা অসি করম তৌনা মফম অসিদা য়ামখ্রবা মীওইবগী কোক্কী তুম্বা অমসুং শৱ্দ পোল্লাংশিং অসি ফংলিবনো হায়বসি মীয়ামগী ৱাহংনি হায়রি।

য়ামখ্রবা মীওইবগী কোক্কী তুম্বা অমসুং শৱ্দ পোল্লাংশিং অসি লমদম অসিগী মীওই কাঙবু নৎত্রগা মীওই অমত্তনা হাৎলগা অশিবা হকচাংশিং অদু মফম অসিদা পুল্লপ ফুমজিন্দুনা থমজিল্লম্বা হায়বসি ওইথোকপা য়াররোইদবা অমনি। মরম অদুনা ইরমদম মণিপুরদা লোয় লৈঙাক চত্থরিবা ইন্দিয়াগী লম্লৌ লান্মীনা ফাদুনা নুংশি হৈতনা হাৎলগা মশা থিবা খঙহনবীখিদ্রবা ইচিল–ইনাওশিং অদুগী কোক্কী তুম্বা অমসুং শৱ্দ পোল্লাংনি হায়বসি ককপা য়াররোইদবনি হায়না পল্লি।

য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমনা কুমজা ২০১১ গী আগষ্ট ১৮দা সিক্যুরিটিগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমদি সিবিল দ্রেশ শেৎপা কাঙবু অমনা দিমাপুরদগী ফাখিবা আরপিএফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি গুরুময়ুম জাতিশ্বর এলাইজ জিপসি এলাইজ জিএম চাংজৌ ফাখিবদু মাগী ইমুং–মনুংনা কোর্টতা পুথোকপীরক্লবগী হায়জ চেরোল অমদা ইন্দিয়ান আর্মিনা ফাখিবা লৈতে হায়না শেংদোকখিবনি হায়রি।

অদুবু চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ২০দা ইন্দিয়ান আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল, ধরম্বির কৌবা অমনা মণিপুর হায় কোর্টতা জিপসি ইন্দিয়ান আর্মিনা ফারগা দিমাপুরগী রঙ্গপহারদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মি কেম্প য়ুনিটকী চাকশঙগী মনাক্তা হাৎতোক্লগা ফুমজিনখি অমদি এনএসসিএন (আইএম)গী মীওইশিংনা ফাবনি হায়না পকশিন্দুনা থাদোকম্ল ওইনা লূপা লাক্ষ ২০ অমসু পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌখি হায়না শেংনা হায়রক্লিবসি ইন্দিয়ান আর্মিনা ফাবা লৈখিদে হায়বা ৱাফমদু করিনো হায়বা ৱাহং অমা হংবা য়াই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

মতাং অসিদনা ইন্দিয়ান আর্মিগী টেররিষ্টকী থৌওংবু য়ানিংদবা লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বিরসি ৱাখল চোইরবা ঙাওরবা মীশক অমনি। মানা হায়বা, ঙাংবা ৱা ওইনা লৌবা য়াবা নত্তে হায়গদৌরিব্রা। মথং মথং...

# শাফোঙখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে ঃ কেসিপি–এমসি (প্রো)

ঙরাংগী মখা...

তমথিরবা ৱাথোক কয়াশিং অসিবু উৎনা ৱাইনা খুম্বা য়ানবগীদমক ঙসিসু য়েক্লবা ইম্প্রেলিষ্ট ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মখোয়গী খৌবুনাই খরনা মাংজিল থাদুনা কংলৈ লমদম অসিদা খূৎশেমগী ইহৌ মৈহৌ লাংপোক, মীহাৎ মীপুন কয়া তেইনা থোকহল্লক্তুনা মরালশিংবু নাথেনবা হোৎনরক্লি।

অসিগুম্বা লুরবা তানফম য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না থৱাই থাদুনা তাইওন্নবা ইহৌ হৌজিনবগী মতম ওইদ্রে হায়না লূপ অসিনা মীয়ামগী পুক্লিং চীংশিল্লদুনা ইম্প্রেলিষ্ট ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মখোয়গী হংলাই লৈঙাক্লা চত্থরক্লিবা য়েলহৌমী মুত্থৎনবগী লাল্লোং কয়া অসিদা ইরৈচা পূম্নমক্লা মখোয়গী ঙাইহাক্কী তাৎতা পঙথরমগুমসি। লুরবা তানফম অসিনা কোকথক্তগী লানখিদ্রিঙৈ অপূনবগী ঈহৌ লাল্লোং কয়ানা ইশাগী মনিং মখা তমজরম্বা চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী শেমজরক্লবা কংলৈপাক (মণিপুর) অসি অমুক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী তোখাই তাবা নৎতনা লমদম অসিগী মবুক মরা চেৎপা ইংচিক্লা পানবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফমসু লৈবাক মীয়ামদা ফম্নাইবা অসিনা থম্লক্লি। থৌরম অসিগী লোইশিল্লকপদা পুংজাদা কেসিপি–এমসি (প্রো) ষ্টেন্দিং কমিতি মেম্বরশিংনা নীংতম্বা তানবগী ৱায়োল ইহৌদা মপুং ফানা লাম্হেং চঙশিমিন্নরক্লিবা লান্মীশিং, থৱাইনা পোম্থা পীখ্রবা, বোন্দি ওইদুনা কৈশুমশঙদা য়াতারিবা, মশাগী মথৌ পাঙথোকপদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নহৌদ্রবা অমদি তুম্বা চাবা খঙদনা লৈবাক্কী লুরবা তাঙ্কক কয়াদা অচুম্বগীদমক মীয়ামদা ঈপাউ ফাওবিরবা কংলৈপাক্কী প্রেস এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী কোমরেদ খুদিংমক্কী মফমদা থম্মোয় শেংনা অৱাংবা থাক্তা অমত্তা ওইনা ইকাই খূম্নবা উৎখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

# কাউন্টর এফিদেবিট ফাইল তৌনবা হায়কোর্টনা মতম পীখ্রে

অতোপ্পা বেঞ্চ অমনা পীখিবা রুল্লিংগী মতুং ইন্না চত্থখিবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারিগী রিকমেন্দেসনদগী মঙোন্দা সো কোজ নোটিস পীবগা লোয়ননা মহাকপু সর্ভিসতগী লৌথোখ্রবনি।

অদুগা অতোপ্পা পিটিস্নরশিং ওইরিবা নান্দেবম মেমতু, রজিনা বেগম অমসুং থৌনাওজম রোজিদনা মখোয়গী মথক্তা চত্থখিবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারিগী ফাইন্দিংশিংগী মতুং ইন্না সার্ভিসতগী লৌথোক্লোইদবগী মরমশিং পীরক্লবা নোটিসশিং পীরকখিবনি।

মরমশিং অসিদগী পিটিস্নরশিং অসিনা মখোয়গী টর্মিসন ওর্দর অমদি নোটিসশিং অদু কোর্টসিদা শীংনরকখিবনি।

কোর্টসিনা কেসশিং অসি লৌখৎখিবগা লোয়ননা চনু লৈমা পাঙ্গেজমগী সার্ভিসতগী লৌথোকপা ওর্দর অমদি মহাক য়াওনা পিটিস্নর মরিদা পীখিবা নোটিসশিং অদু চৎনহন্দনা থম্লকখিবনি।

লোয়ননা ঙসি কোর্টসিদা পিটিস্নর মরিগী অপুনবা কেস মঙাসি লিষ্ট তৌদুনা মসিগী মখা তাবা ৱায়েলশিংগীদমক লৌখৎলকপা কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা মখোয়গী মায়কৈদগী কেসশিং অসিগী মতাংদা কাউন্টর এফিদেবিটশিং পীশিন্নবা মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। কোর্টনসু হায়জবসি তারদুনা কাউন্টর এফিদেবিটশিং অদু ঙসিদগী পারগা চরোল মরিগী মনুংদা সমমিট তৌনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি অশাবা স্পোর্টস সার্টিফিকেট শীজিন্নদুনা রিক্রুইটমেন্ট অদুদা য়াওশিনখিবা কেন্দিদেট মঙা খঞ্জিনখ্রে হায়বগী মায়োক্তা এল সনাতোম্বী কৌবী পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকখিবা কন্টেম্প কেস (সি) ১১২ ওফ ২০১৭তসু ঙসি কেসশিং অসিগা পুন্না লিষ্ট তৌখি।

অমরোমদনা ৱাথোকসিদা চেন্নখিবী ৯শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আইআরবি)দা সব ইন্সপেক্টর ওইরম্বী অরুনা লাইশ্রমসু থবক্তগী লৌথোক্তখ্রবনি। মহাক্তি মহাক্কী মথক্তা লৌখৎখিবা এক্সন অসিগী মায়োক্তা কোর্টসিদা ৱাকৎলক্ত্রিবনি।

# এময়ুগী ৱাথোক্না চীং–তম খাইবুং তান্নহন্দৌরে ঃ সুসিন্দ্রো

থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা উবদগী হায়নিংঙাই লৈতদুনা লৈঙাক অসিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা কংগ্রেসনা হোৎনদুনা লৈরি হায়খি।

লৈঙাক অসিনা লাকপদগী মতম কয়া মাংলুরবা চীং তম অনীগী নুংশিন্নবা অদু হঞ্জিনহনবা ঙমদুনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইশু অসিনা চীং–তম অনীগী নুংশিনবা অদু খাইবুং খাইবুং তান্নহন্নবা অমুক শীল্লে। চীংগী ইচিল ইনাওশিংনা এময়ুগী মতাংদা তমগী ইচিল ইনাওশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি চুম্মী হায়দুনা থা অনীরোম ঙাইজরক্লগা হৌজিক্তী মী অমখক্লা মরম ওইরগা ঐখোয় লোইনা মাঙমিন্নবগী ফিভম লাকপদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা বন্দ চত্থবা হৌরক্লে। ইশুশিং অসি লৈঙাক্লা লোইশিন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু ইনশিনবা অমা য়াওবনা লোইশিনবা ঙমদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খুরাই চিংঙাংবম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল কাননবালা অমদি হৈঙাং সিদি ব্লোক্কী দিভলপমেন্ট ওফিসার সেনয়াই লৈমন অঙোমসু শরুক য়াখি।

# নুপীশিংনা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোর তম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে

লোয়ননা লম্বী তঙ্খাই থিংদুনা লম্বীদা ফমজিনবা অমদি হিপচিনবনচিংবা চত্থখিবতা নত্তনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদ্রিবা ফাওবা মফম অসিগী হল্লরোই হায়না কংলা পার্ক মমাঙদা ফমদুনা লৈখি।

নুমিদাংগী পুং ৬.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা পুলিসনা খোঙজং চঙশিল্লিবা নুপী লুচিংবী মাপল নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট সিঐচ রমনি, অমকিলগী প্রসিদেন্ট পিঐচ শখি, লূপ অসিগী এল ঙানবী, তম্মী চীংমী লূপকী প্রসিদেন্ট এস মোমোন, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লাইরিক লৈমা, কিলগী আরকে সনাহনবী, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মা, ভিএমওগী প্রসিদেন্ট সোরোজিনি অমদি কৈথেল শঙলেন শাগৎপা লূপকী আর কে রাধেসনাগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উন্নরবা মতুংদা মোমোরেন্দম পীশিনখি।